# হীদাক কান্নরবা পান্থীশিং ঃ জাভা হাওনা

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



সাইলোন হাওনা পান্থীগী মতাংদা নৈনখ্রবা মতুংদা ঙসিদি জাভা হাওনা পান্থীগী মতাংদা নৈনবগী খুদোংচাবা অদু লৌজরি। জাভা হাওনা পান্থী অসি সাইলোন হাওনা পান্থীগা য়াম্না মশক মান্নে। মরম অদুনা বোতানিষ্ট কয়ামরুম্না পান্থী অনী অসি স্পিসিস অমত্তনি হায়না পাউদম্লি অদুবু বোতানিষ্ট অয়াম্বনদি পান্থী অনী অসি তোঙানবা স্পিসিসনি হায়না পাউদম্লি। জাভা হাওনা পান্থী অসি ইংলিসতা জাভা সিট্রোনেলা গ্রাস (Java Citronella grass) নৎত্রগা ৱিন্তরস গ্রাস (Winter's grass) নৎত্রগা ওল্ড সিট্রোনেলা গ্রাস (Old citronella grass), ফ্রেন্সতা হর্বী সিট্রোন দি জাভা (Herbe citron de java), ইন্দোনেসিয়াদা সেরাই ৱাঙ্গী (Serai Wangi), জাভানিজদা সেরে ৱাঙ্গী (Sere Wangi), মলেসিয়াদা সেরাই ৱাঙ্গী (Serai Wangi), থাইদা তাখ্রাই মা-খুত (Tekhrai ma-Khuut) নৎত্রগা তাখ্রাই-হোম (Takhrai-hom) নৎত্রগা তাখ্রাই-দেঙ (Takhrai-daeng), ভিয়েটনামিজদা সা জাভা (Sa java), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোতানিকেলগী ওইবা মমিংদা *সিম্বোপোগোন ৱিন্তেরিয়ানস* (*Cymbopogon winteranus Jowitt ex Bor*) নৎত্রগা *সিম্বোপোগোন নার্দস ভেরাইতি মহাপেঙ্গীরি* (*Cymbopogon nardus (Linn.) Rendle var mahapangiri auct.*) হায়না কৌই অমসুং নাপীশিংগী শাগৈ পোয়েসী (Poaceae) দা চল্লি।

জাভা হাওনা হায়রিবা পান্থী অসি ফুট ৮ ফাওবা ৱাংবা চবুন ওইনা হৌগনবা মনম চেনবা নাপী মখল অমনি। পান্থী অসি চহী ৭-৮ ফাওবা পুন্সি অমসুং মতম অয়াম্বদা শংদুনতা লৈ। পাউদমশিংগী মতুং ইন্না জাভা হাওনা পান্থী অসি শ্রীলঙ্কা নৎত্রগা খা ভারতকী মফমশিংদগী হৌরকখিবা ওইরমগনি হায়না থাজনৈ। পাউদম অদুনা মখা তানা হায়বদা হায়রিবা পান্থী হাওনা মখল অসি জাভাগী লমদমশিংদা য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা পুখিদুনা থাখিবদগী মপুং ফানা হৌখিদুনা কুমজা ১৯০০ গী মমাঙদগী মফম অদুনা য়াম্না পাক শন্না থাদুনা শীজিন্নখিবদগী ঙসিদি পান্থী অসি ময়াম্না জাভা সিট্রোনেলা হায়না খঙনখরে। ঙসিদি পান্থী অসি থাউ য়াম্না থোকপা মখলগী ভেরাইতিশিং পুথোক্তুনা মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা য়াম্না পাক শন্না থান্নখরে। জাভা হাওনা পান্থী অসি য়াম্না পাক শন্না থান্নবা মরু ওইবা মফমশিংদি খা-নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা ইন্দিয়া, হোন্দুরাস, হায়তী, গৌতেমালা,ঘানা, চাইনা, ব্রাজিল, ভিয়েটনাম অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী মফমশিংনি।

জাভা হাওনা পান্থীগী মনাদা মনম নুংশিবা চেনবা ইসেন্সিয়ল ওইল (Essential Oil) হায়রিবা মচু ইচেন চেন্দবা নৎত্রগা হঙ্গাম মাপল চঙলকপ তৌবা থাউ অসি চাদা ১.০ দগী ১.২ গী চাংদাদা য়াওই অদুবু অরিবা ভেরাইতিশিংদদি থাউ অসি চাদা ১.০ গী মখাদা য়াওই। মফম অমসুং মতমগী ওইনা পোথোক্কী চাং খেৎনজরবসু জাভা হাওনা পান্থীগী নাপী অসি হেক্তর অমগী লমদগী তোন ১০ দগী ৩০ ফাওবা চহীগী ওইনা লোকপা ঙম্মী। থাউ থোকপগী চাং অসি নোং চুবা অমসুং ইকং থাগী মতমশিংদা য়াম্না খেন্নে। চাংচত্তা য়েংবদা জাভা হাওনা অসি লম হেক্তর ১ থাবদা চহীদা ইসেন্সিয়ল ওইল হায়রিবা থাউ অসি কেজি ৪৫ দগী ৮০ ফাওবা থোকই। জাভা হাওনা পান্থীদগী থাউ শুংবা অসি ঈশিংদা শৌহল্লগা নৎত্রগা অশৌবা ঈশিংগী মনিলনা য়ৈহন্দুনা থাউ অসি শুংবা য়াই। হায়রিবা মওং অসিবু হাইড্রোদিসতিলেসন নৎত্রগা হাইড্রোষ্টিম দিসতিলেসন (Hydrodistillation or hydro-steam distillation) হায়না খঙনৈ। পাউদমগী মতুং ইন্না সিট্রোনেলা ওইল হায়বদি হাওনা পান্থীগী থাউ অসি ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংবদা চহী অমদা টন ৫,০০০ (5000 tons) রোম পুথোকই অমসুং মসিগী মমল অসি চাওরাক্লা অমেরিকান দোল্লর মিলিয়ন ১৯ রোম হায়বদি ইন্দিয়াগী শেলদা চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ১৩৬ লোমনি। হাওনা থাউ পুথোকপা মরু ওইবা লৈবাকশিংদি - ইন্দিয়া, ব্রাজিল, গৌতেমালা, ঘানা, হোন্দুরাস অমসুং ভিয়েটনামনি। পাউদমশিংগী মতুং ইন্না জাভা হাওনা পান্থীগী থাউগী চাদা ৯৮.৮৫ দি তোঙান তোঙানবা কেমিকেল কম্পোনেন্ট ৫০ রোম্না ওই। হায়রিবা থাউ অসিদা য়াওবা মরু ওইবা কেমকেল কম্পোনেন্টশিং অদুদি সাইট্রোনেলেল (Citronellal), জেরানিওল (Geraniol), ইলিমোল (Elemol), জোরানাইল এসিতেত (Geranyl acetate), লিমোনিন (Limonene), বিতা-ইলিমিন ($\beta$-elemene), সিট্রোনেলাইল এসিতেত (Citronellyl acetate) অমসুং য়ুজেনোল (Eugenol) অসিনচিংবনি।

জাভা হাওনা পান্থীদগী লৌবা থাউ অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নে। হায়রিবা থাউ অসি মখল-মখা কয়ামরুমগী মনম নুংশিবা পোৎথোকশিং (Perfumery products), অকে-অবৌগী মায়তৈ হীদাক মখলশিং শাবদা শীজিন্নে। জাভা হাওনা পান্থী থাউ অসি মখল কয়াগী তীন-কাং অমসুং মহীক-মতাংশিং মরু ওইনা কোকফাই-শুজাশিং হাৎপা ঙম্মী। মরম অসিনা থাউ অসি দিসইনফেক্টেটেন্ট (Disinfectant) অমসুং লিকুইদ দিওদোরেন্ত (Liquid Deodorant) হায়রিবা কা অমদি লৈমায় শেংদোকপদা শীজিন্নরিবা মহী শেন্দা শীজিন্নে। মসিনা মহীক মতাংশিং অদু হাৎপা ঙম্বগী মথক্তা কা অদু মনম নুংশিনা থম্বসু ঙম্মী। জাভা হাওনা পান্থীদগী লৌবা থাউ অদু ফিরোল শুনবা সর্ফ অমসুং হকচাংগী ঈরু-মায়থজনবা শাপোন শাবদসু শীজিন্নে। পাউদম অমগী মতুং ইন্না নীম পান্থীগী মনা (Azadirachta indica), কাংহু পান্থীগী মরা (Alpinia galanga) শুগাইরগা লৌবা মহী অদুদা জাভা হাওনাগী থাউগা য়ানশিন্নরগা শেন্বা মহী অদু কাপথোকপদা এঞ্জাং নাপীদা তাবা লায়নাশিং অমসুং কোমলা-চম্প্রাদা লায়না পোকহনবা মহীকশিং অদু লায়না হাৎপা ঙম্মী অমসুং মদুনা মীওইবগী হকচাংদা থোইদোক্লসু অমাঙ-অতাশিং থোকহন্দে।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না জাভা হাওনা পান্থী শুগাইদুনা শেন্বা মলম অদু ফুগ্রী থুংবা, অশোক-অপন তৌবা অমসুং চাথৎপদা তৈদুনা লায়েংবা য়াই। থীবোং-থীরিলদা লৈবা তীন (parasite) অসি জাভা হাওনা পান্থী শীজিন্নদুনা ঙাকথোকপা ঙম্বগী পাউদমসু লৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি হাওনা পান্থী অসি চেঙহী লোনবদা হাপ্তুনা কোক্তা হীক লৈবা অদু হাৎপগী মথক্তা শম অদু মনম নুংশিনা থমহনবগীদমক শীজিন্নে। ঐখোয়গী লেবোরেতোরি (CSIR-NEIST, Jorhat)না ইকুই কুইদ্রিঙৈদা থাউ চাং য়াম্না থোকপা মখলগী জোর-লেব সী-৫ (Jor-Lab-C-5) হায়বা ভেরাইতি অসি শেমদুনা ইন্দিয়াগী মফম কয়ামরুমদা য়াম্না পাক শন্না থান্নখরে। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদসু CSIR Aroma Mission হায়বা প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা পান্থী অসি পাক শন্না থারি। ●




# ইবুধৌ খাগেম্বগী লাইনিংকোল

## (মীগীদি মকোক লাইগীদি মমৈ)

- মঙাঙচা নাওরেম হেরাঙম্বা -

তমজামও কাংলেল শাথৌবা, য়েননৌ চুপলি পায়রিবা, চৈবী নৌরেল খূৎশুবা, য়াঙজা শগোল থৌরিবা শজিক থাবা ওইরিবা, কোনশেন সনা পিবারেল সনা মহী ঙৌবরেল, ফুহিং সনা লাইজরেল কৌবা-ও।

ইবুধৌ খাগেম্বা ইপাগী লাইনীংকোলগী মতাংদা খজিক শৈথাজবদা অরানবা কয়া য়াওরবসু নচা-ননাইনি ঙাকপীহৈবা য়াইবিকোন্না ঙাকপীয়ুকো, হৈ হয়া য়াইফরে য়াইবিলেল শিদবা ইপানা।

মুংয়াম্বা নিংথৌ মপারেল, মীতৈ লৈমা হৈরোকঙম্বী চাংবোম্বী থংপী নুংপাল্লোন লৈমলেল ফমথোন কাবীনা কোরৌ য়াইফরবা অফাবা থবান অশেংবদা নাউনৌরবা, পোইরৈ সনা মীতম ঙানবা, হুয়েল লানজেং শাফবা, চীদ্রেন নোংদ্রেন খোম্বা, কোকলেন সনা লুফম ঙানবা, নুমিৎ সনা পুঙকোই মহুমনুংদগী লমহৌরকপা, মঙাঙ ইরোল ইলুং ইফাবা, চোইলৌ সনা ফম্বাল্লাংদা লোইদাম থাজথানিলগুম্বা চেংলৌ মককোয় হেনবা- কংলৈ পীবারেল, মৈদিংঙু পীবারেল ইবুধৌ আয়োল-অরাল খিবিক ঙাকপীহৈবা পুকচেলনা ঙাকপীয়ুকো।

মুংয়াম্বা ১৫৬২ কুমশিং ২৯৫৯দা কংলৈপাক্তা য়াম্না খূৎকন পাঙ্গন্না পানখিবা, ৱায়েল চুপলি পায়দুনা লংদাইখিবা নিংথৌনি। অহানবদা থাঙৱাই নিংথৌ কিয়াম্বা কৌরম্মী। (মুংয়াম্বা মশাগী চহী ১৮ শুরকপদা অপোকপা মৈদিংঙু চলাম্বা লৈখিদ্রবা মতুংদা খৃ: ১৫৬২ দা ফম্বাল কায় অপোকপা চলাম্বা চহী ১৭ ফম্বালদা লৈরম্বী নিংথৌ নুঙখোং মুংয়ামপাবু লানথেংনবদা মায়থীবা পীখিবদগী মুংয়ামঙম্বা হায়না কৌনখি। মহাক্কী (মুংয়ামঙম্বা) মতমদা খাকী (হৌজিক্কীনা চিনা) লৈবাক্তা পিয়াংকু কৌবা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী, খাকী লৈবাক অদুদা লাকঙ-ফাঙমদ্রবা হিংচাবগী মচৎ-চৎপা মোইদনা কৌবা নিপা অমা লৈরম্মী। পিয়াংকু নিংথৌনা হাৎপা ঙমদ্রবদা কংলৈপাক্তা নানবা কংলৈ পিবারেলদা চিঠি অমগা লোয়ননা থারক্লম্মী, চিঠিগী মরোল তারবা মতুংদা হিংচাবগী মচৎ-চৎপা মোইদনদা হায়রক্লম্মী, অকনবা, ঙসিদগীনা নুমিৎ হুমনি শুবদা কংলাগী মখা থংবা সনথোঙদা লানথেংনসি। নহাক্লা ঙল্লবদি ঐহাক্কী মীয়াম অসি অমমম চাজরো, ঐনা ঙল্লগনা হাৎপা হায়না য়ানরবা মতুংদা মোইদনা চৎখরে। খৃ: ১২৭৮-১৩০২ হায়বদি চহী ২৪ ফাওবা পানখিবা মৈদিংঙু মোইরাম্বগী মতমদা কংলৈপাক্কী মাইচৌ অয়াম্বা অসি লাংওনলকপদা ঙাইবদগী মতম অদুগী মীয়াম্না কয়া মশক মমিং খঙনদ্রি অমদি মখোয় মখোয়গী তৌবা ঙম্বা কয়া উৎথোকপা তৌদ্রি, মাইচৌশিং অমদি ১) লৌরেম্বা খোংনাংথাবা, ২) কনগ থেঙ্গ্রা, ৩) লাঙ্গোল লুখোই, ৪) মোইরাং লালহবা, ৫) দেবীপা, ৬) খারম থাদোই, ৭) সামুরৌ চিগোং তরেৎ অসিনি। তরেৎ অসিদা তোংলিবা লাইয়ামশিং অদুগী মমিং হাপচদ্রে, মথং খাগেম্বা অমসুং মনাই চেক্লা পাই অনীগী লাতমজরকপদা পাবিয়ু)। মীতৈ কংলৈ পিবারেল, লৈবাক্কী অমাইপা-অমাইপী (অপোইননা মচা) তান্নদুনা ইবুধৌ পাখঙপবু ঈরাৎ থৌনি তৌজরে (ইম্ফাল তুরেলদা)। নুমিৎ অসিমক্কী নোংয়াই মতুং ওইরকপা মতমদা কংলাগী অৱাং থংবা ইরেলদা ইখঙ খঙহৌদনা খোঞ্জেল অমা তারম্মী। নিংথৌ নঙনা ৱারিবদু ৱারুগনু। ঐহাক্লা থাঙ অমগা তা অমগা থম্বীরমগে। মসি শীজিন্নরগা হিংচাবগী মচৎ-চৎপা নুপা অদু হাৎলু শোয়দনা ঙমগনি। নোংঙাল্লকপদা মফম অদুদা থাঙ খৌপোম্বা তা খাঙসুনহা অনী অসি ফংজদুনা ইবুধৌ পাখঙপবু মথম্মোয়দা থাগোনজখি, পাখঙপনা লাউদুনা তাক্লমই হায়দুনা ইরেল অসিবু পাউতাক ইরেল হায়না কৌখরে।

মথংগী নুমিৎতা হায়নখিবা নুমিৎ শুরদুনা কংলাগী খা থংবা সনথোঙদা মোইদনা হিংচাবা থুংলরে। মোইদনা হিংচাবগা নিংথৌ মোংয়াম্বগা অকনবা লান শোক্লরে, নিংথৌনা ইপুধৌ পাখঙবনা পীবা থাঙ খৌপোম্বনা হিংচাবগী মকোক অদু কত্তুনা হাৎলে, মথবাক্তা তা খাঙসুনহানা লেংঙে, মোইদনাগী অশিবা মশা অদু কংলাগী নুংকোইবীদা চনশিনখি, মফম অদু মতুংদা খঙহৌনবা হায়দুনা নিংথৌনা নুংপাকনা ননশিন্দুনা লৈরি। মীতৈ নিংথৌনা মোইদনা হাৎলে হায়বা পাউ তারদুনা খাকী নিংথৌনা পেল্লদুনা মীতৈ নিংথৌদা কৎননবা সনা-লুপানচিংবা খুদোলপোৎ কয়া পুরকপা অদুগী মথক্তা লৈহাউ পান্থী অমসু পুরক্তুনা খাকী নিংথৌনা মীতৈ নিংথৌ মনাক্তা লাক্লম্মী। নিংথৌ অনীনা অৱা-নুংঙাই ৱারী কয়া শানরবা মতুংদা খাকী নিংথৌগী খুদোলপোৎ কয়া অদু হরাওনা লৌশিল্লম্মী। খাকী নিংথৌনা পুরকপা লৈহাউ অদু মীতৈ নিংথৌনা কাউদনবা হায়দুনা মমিং থোনবীখিবদগী চারোন-শুরোন কয়া থংদরক্তুনা অকাউবা লৈতনা ঙসি ফাওবা মীতৈশিংনা খাকী লৈহাউ নীংশিংদুনা লৈনরি। ইপা-ইপুশিংদু কয়াদা খূৎকন-পাঙ্গলখ্রবা ইরমদম ঙসিদি করি করম্বা ফীভমদা লৈরি। খাকী ঙম্বা চহীদা মচা ইবুংঙো অমা ফংই হায়দুনা খাকীঙম্বা (খাগেম্বা) হায়না মমিং থোনখিরম্মী। খাকী নিংথৌগা লোয়নরকপা খরদি কংলৈপাক অসিদা খুল তাদুনা লৈহৌখি। মখোয় অসি মমৈথংদদি মীতৈগী য়েক-সলাইদা তিনখিরম্মী। মখোয় অদুদি - কৌত্রুক, সেনচম (বোঞ্জম), কালতো অমসুং চিলাং (চিরাং) নচিংবা মফমদা খুলতাদুনা লৈখি, সেঞ্জম-চিরাং হায়না খঙনরি।

খাগেম্বা ইপা অসি খৃ: ১৫৯৭তা ফম্বাল কারে। মশাগী চহী ২১শুরে। (খৃ: ১৫৭৬তা পোকই)। খাগেম্বা কৌদ্রিঙৈদা ঈশিংদা হি-হোনবা অমসুং হি-মমায় চুম্বা লৈথোক-লৈশিন য়াম্না খঙঙি, হৈ হায়দুনা মৈদিংঙু সনা হিহোনবা পোইরৈ নিংথৌহনবা কৌরম্মী।

কংলৈ নিংথৌ অসিগী মতমদা অঙকপা থৌদোক খরা থোকখি। থোকখিবশিং অদুদগী অনীখক্তং লৌখৎচদুনা কংলৈচাশিংগী মফমদা থমজগে। অরান-অহুই য়াওরবসু ঙাকপীয়ু (মহাক্কী মতমদা মাইচৌ অয়াম্বা মপুংফরে)। নোংমা কোরৌ অমদা ইনিংথৌ খাগেম্বনা মহাক্কী শঙলেন অমা শানবা উরেপ হুননবা য়ৱা - পাউশনখিয়ে। মায়চৌ কনগ থেঙ্গ্রনা নুমিৎ থাগী খেঞ্জোং য়েংদুনা য়াম্না কূপ্না হোৎলবা মতুংদা ইনিংথৌদা হঙ্গৎচরম্মী - কংলৈ পিবারেল তাবিয়ুদো লাইনিংথৌ কুমজা ১৫৯৭কী শজিবু থাগী থবান ৫নি পানবা থাংজ কোরৌদা ময়োকফা উনা উরেপ অসি হুল্লবদি কোকলেন্দা সনাগী থম্বাল শাৎকনিয়ে,পুংফমদি নোংয়াই মতুং ৱাংলেন পুংজা অমা মখায় তাবা শজিক-থবা থোক্লক্কদবগী মমিদি নাহুই তল্লকপা ৱাংলেন্দা হুনগদবনি। ইপুগী য়াৱা তুংইন্না নিংথৌগী মনাই মশেলনা উরেপ হুনখিয়ে, অফবা উরেপকী পুংফম ওইখিদবনা সনাগী থম্বাল শাৎখিদরে। কংলৈ পিবারেল অশাও-খম্বী মৈহৌনা শুগুনু চকপী উচান খায়নবা থাখিয়ে। মহাক্তি চীংঙু লাইগী লাংঙোন ওইখিবনা অমং য়াইথোঙ কুমখিদেয়ে, তাইবঙচাশিংনা শুগুনু ইরেল হায়দুনা খঙনরি। কুমজা খুদিং হৈকৎ-লৈকৎপা মায়চৌ কনগ থেংঙ্গ্রা চৎনরি।

ইরেংবম লৈকায়দা লৈবা কৈশাম ঙৌব মায়চৌনা হায়বা তাহৌবদগী পুংফমদু কায়দনা চাইগোন্নুংদা লফু পান্থী অমা থাখি। মায়চৌনা হায়বগুম লফু পান্থীগী মতোন্দা সনাগী থম্বাল অমা শাৎখি। কৈশাম ঙৌবনা সনাগী থম্বাল অদু সনা কোনুংদা খোঙলেংলক্তুনা কংলৈ পিবারেলগী খুয়াখাদা থেঞ্জখিয়ে। সনাগী থম্বাল অদু উবদা কংলৈ মপুনা - নহাক্কী সনাগী থম্বাল অসিদি কদায়দগীনো? কৈশাম ঙৌবনা মখূৎ লোন্নজদুনা পাউখুমজরকই - কংলৈ পিবারেল অহল ইবুংঙো মাইচৌ কনগ থেঙ্গ্রানা ইনিংথৌদা তাকপীখিবা য়াৱা অদু তাজহৌদুনা ননাইনা ঐহাক্কী চাগোইনুংদা পুংফম চপ-চানা লফু পান্থী অমা থাজহৌবা অদুদা সনাগী থম্বাল অসি শাৎল্লকপা অদুদা ননাইনা কংলৈ পিবারেলদা থেঞ্জবনিদো। কংলৈ পিবারেলনা হায়রকই - ফরে, নহাক্কী থম্বাল শাৎপা অদুবু থম্বাল খোং হায়না খঙনহৌরসনু হায়না কংলৈ পিবারেলনা হায়খিবদগী ঙসি ফাওবা খঙনরি (ইম্ফাল ইষ্ট)।

নোংমা নুমিৎলোই অমদা কংলৈ পিবারেলনা মায়চৌশিং অদুবু কৌশিন্দুনা হায়জরকই - ইপু ময়ামদি লাইগা ঙমথংনবা অমদি লাইতাইনবা ঙম্বনিদো। নশু ঐদি করিসু খঙজদে, অদুবুনে ঐগী ইমিৎ অসিদা তাইবঙ খাইবা মপুবু অমুক্তা উহনবীয়ুবা। পিবারেলগী ৱাহৈ অসি তাবদা মায়চৌ লুচিংবা অপোইননা মচানা পাউখুমজরকই - ইনিংথৌনা তাকপীরবনিনা ঐখোয়না হায়জগদৌরিবা পোৎশক তরুক অসি থাদোকপা ঙম্বীগদরা? উবু - উহনবীগনি হায়রবদি ঐহাক লোইনা থাদোকচগে ইপুশিং, হায়না পাউখুমজরকই, কংলৈ পিবারেল। ফরে ইনিংথৌনা য়াবীরবনিনা হায়জরগে - **১) কল্লকপা, ২) মীহৌবা, ৩) লৌনম্বা, ৪) অশাওবা, ৫) নাপল, ৬) অপাম্বা নুংশিবা, য়েক্লবা** তরুক অসিবু থাদোকপা ঙম্নবা পন্থৌ ইপাগী শঙ্গাইগী মমাঙদা লৈরিবা মফম অসিদা তাইবঙ খাইবা মহাকপু নীংবিরো। থাদোকপা হেক ঙম্বদা শোইদনা ফংগনিয়ে পিবারেল। তৌবতবু তাইবঙ খাইবা মপু মহাক্তি চহী তরুক থা খরা নত্তনা লৈমিন্নবা ফংঙোইয়ে। মায়চৌশিং অদুগী পাউতাক মতুংইন্না মীয়াম্না ঙসি খাগেম্বা লাইনিংকোল হায়দনা লৈরিবা অসিদনি মপু মাবু নীংখিবা।

নীংশিংজবা :- হৈরাংগোইথোং মখা হাইথরকপদা লম্বীগী মনীং থংবদা লৈরিবা লাইকোল অসিবুনি ইবুধৌগী লাইনিংকোন। মসিদা লাংবা-হরাওবা মথোই কাবা য়াদে নৎত্রবদি চৈবি-চৈথেং ফংঙি হায়না মফম অসিগী মীয়াম্না হায়নরি। লাইনীংবা হায়বা অসিমক্তবু লাংবা য়াদে, তেন্তক্লা থমজবনি। মীগীদি মকোক লাইগীদি মমৈ হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাঙুলোন মথংদা লাতমজগে। চেক্লা পাই কনানো পুন্না খঙমিন্নসি। ●

## মরোল থোকপা লাই

